# ‘মেরা থাগী সনারৈ-!’

- এল ইবোমচা -

জয় জয় রাধে গোবিন্দ রাধে
কুঞ্জে কুঞ্জে বিলাশিনি
জয় রাধে গোবিন্দ রাধে।

মমাঙঙৈ কুমজা ১৯৬০/৬১ অদুৱাই মতমগী মেরা-হিয়াঙ্গৈ থাগী মতৌদুগা হায়রুরবদি ঙসি ঙসিমকসি মণিপুর তম্পাক্কী মফম শিন-থুংবদা লৈরিবা মীপূম খুদিংনা হরাও কুম্মৈগী ঈরাংদা খম থেংনা কল্লবা মতমনি। কুম্মৈশিং অদুদি মেরাগী নোংমা পানবা চাউরেন হৌবা, তরুক্নি পানবা লাইরেম্বী (দুর্গা) কুম্বা, তরেৎনি পানবা দুর্গা পুজা, নিপান্নি পানবা হিয়াংথাং বর, তরামঙানি পানবা মেরা ৱা য়ুংবা অমদি মেরা হৌ চোংবনি। কুন্থ্রানি পানবদা দিৱালিনি। হিয়াঙ্গৈগী নোংমা পানবা গোবর্দ্ধন পুজানি। নীনি পানবা নিঙোল চাক্কৌবা। তরানিথোইনি পানবা শ্রীশ্রী হরিউথান। তরামঙানি পানবা মেরা ৱা ফুকপনি। মরম অসিনা মীতৈশিংনা মেরা, হিয়াঙ্গৈ থাবু হেমন্ত-ঋতু হায়না শীংথানৈ। শারম্বদগী অমেংবা নুংশিৎনা লিরি-লিরি হুল্লকপা, নোং চীংগী থোইদোক্না ৱাদবা পূক্নিং হকচাং মকা লাম্না নুংঙাইবা নীংথমথা হৌরকপা মতমনি। মেরা চাউরেল হৌবা হায়রিবা কুম্মৈ অসি সনামহী টেম্পল বোর্দনা শিনবা কংলাগী নূঙজেং পূখ্রিদা পাঙথোকপা নিংথৌ য়াওবা লৈবাক্কী ওইবা য়াম্না চাউবা কুম্মৈ অমনি। নুমিৎসিদা লৈঙাক্নসু থৌরম অসি য়াম্না চাউনা পাঙথোকপা ঙম্নবা জেনরেল হোলিদে লাউথোকই। নুমিৎ অসিগী মরু ওইবা থৌরমদি সনামহী লাইনিংথৌবু থম্মোয় শেংনা নীংজবগা লোয়ননা ইবুধৌ সনামহীনা য়াইফরে হায়দুনা লাউবা খোল্লাও অসিনা ওই। মেরাগী তরুক্নি পানবা থৌরমসি নোংমদোল থক্তা লৈরিবা লাইরেম্বী (দুর্গা) না মপাম লমদম মালেম অসিদা চহী অমগী মনুংদা অমুক্তং নুমিৎ অসিদা লাকপা, কুমথরকপনি হায়দুনা থাজনৈ। মরম অসিনা লাইরেম্বীনা (দুর্গা) মালেমদা খোঙদারক্লিঙৈ মনুংদা ময়ূম মকৈ পানখ্রবী নিঙোল অমত্তনা মপাম লমদা চৎহৈদবগী চৎনবী লৈ। মসিগী মথক্তা লাইরেম্বী (দুর্গা) না ময়ূম লম ওইরিবা নোংমদোল থক্তা হেক হন্দ্রিবা ফাওবদা য়েন্দেম, চু, তোর্ব্বোৎনচিংবা চাহৈদে হায়না মীতৈগী ইমুং অমত্তনা চানদে। মেরাগী নিপান্নি পানবা হিয়াংথাং বর নুমিৎ অসি মীতৈগী য়ূমথোঙ খুদিংমক্তা লৈরিবা নুপী ওইবীশিং হিয়াংথাং লাইরেম্বীদা লাই খুরুম্বা চৎনদবা অমত্তা য়াওদে। মরম অসিনা বর নুমিৎ অসি হিয়াংথাংদা মীনা চিক্ন-চাইনবা ঙমদবমখৈ চিল্লি। কয়ামুক য়াম্না চিনবগে হায়বদা পৌ নম্বা হায়রিবা সিষ্টমদু শীজিন্নদুনা মথং-মনাও নাইনা মন্দির মনুংদা লাই খুরুম্বা চঙহল্লি। অদুক য়াম্না মী চিল্লিবা অদুগী মরমদি বর নুমিৎ অসিদা হিয়াংথাং লাইরেম্বীবু নুপী ওইবীশিংনা মথম্মোয় শেংনা নীংজরবদি ঈ-নুংশিৎ শেংহল্লি, নীংবা থুংহল্লি, অনা অয়েক লৈতনা নুংঙাই য়াইফনা হিংই হায়বগী থাজনবা লৈরিবনি।

মেরাগী পুর্নিমা নুমিত্তা ৱা য়ুংলগা হিয়াঙ্গৈগী পুর্নিমা নুমিত্তা ৱা ফুক্কদবনি। হায়বদি থা অমা চূপ্না পাঙথোকপা থৌরমনি। মসিবু মেরা ৱাখিনবা অমদি ৱা ফুকপা হায়নসু হায়নৈ। ঐখোয় ঐখোয়গী ইঙ্খোলনুংদা হৌরিবা ৱাশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী চুম্বা ৱাংবা ৱা খন্দুনা য়াল্লুরগা মসা নিংথিনা হিদোক্লগা মেরা ৱা ওইনা য়ুংই। ৱা মতোন্দুদা সনারৈ পরেং লেংলগা য়াল্লি। ৱা অদুগী মতোন্দা ধোরী অমা হাপ্পী। ধোরি অদুদা মেরা থৌরী হাপ্লগা থাওমৈ অদু য়াচংবদা চীংখৎলি অদুগা অয়ূক অঙনবদা চিংথৈ। মেরা ৱা য়ুংলিবা তুলসিবোংদুগী অকোয়বদা ৱাই ফজনা তৈথোক্লগা হৈরুক-তাঙ্গ, পানা-তাঙ্গগা লোয়ননা ধুপ থাওমৈ, লৈ-শু কৎলি। মসি নোঙ্গাখ্রবা ঐখোয় ঐখোয়গী অহল-লমন, ইপা-ইপুশিংদা কৎলিবনি হায়না থাজনৈ। অদুননি মেরা থাওমৈ চীংখৎপা য়াচংবগী মতম অদুদা ইমুংদা লৈরিবা মীপূম খুদিং থোক্লক্তুনা তুলশিবোং অদুগী অকোয়বদা কোইনা লেপ্তুনা ‘দমুদরায়ও তুলশি দরায়ও’ হায়না তান থাদুনা ঈশৈ ওইনা শক্নে। মেরা হৌ চোংবা হায়রিবা চীংমী তম্মী অনী পোৎ লান্নবা নুংশিনবগী মরী শাগৎপগী থৌরম অসি মেরা ৱায়ুংবা নুমিৎসিদা পূন্না পাঙথোকই। থৌরম অসিগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক্তি চীংমীনা ময়াম্বনি, তম্মী ওইরিবা মীতৈশিংনা মনাওনি হায়বদুগী ৱাখল্লোন্দা ঐখোয় নুংঙাই য়াইফনা হিংলি হায়বা ময়াম্বা ওইরিবা চীংমীশিংদা মেরা ৱাদুগী মতোন্দা মৈ থান্দুনা খঙহনবনি থাজনৈ।

মেরাগী কুন্থ্রানি পানবা দিৱালি মৈগী কুম্মৈ অমনি, লক্ষ্মী পুজা হায়রগসু খঙনৈ। রামায়নগী ৱারীদা শ্রীরাম-লক্ষ্মন অমদি সিতা মখোয় অহুম্না বন্দদা চহী ১৪ লৈখিবা মনুংদুদা লঙ্কাগী নিংথৌ রাবনগা সিতাগী মরমদা শোক্লখিবা অকনবা লানদা রাবন মায়থীবা নংখি। লান লোইরবা মতুংদা রাম, লক্ষ্মন, সিতা মখোয় অহুম্না অযোধ্যাদা হল্লক্লবা মতম অযোধ্যাগী মীয়াম্না মৈ ঙান্না থাল্লদুনা তরাম্না ওকপগী থৌরমনি। হিয়াঙ্গৈগী নোংমা পানবা গোবদ্ধন পুজা কুম্মৈ অসি জগৎকী মপু শ্রীকৃষ্ণনা চীংদা ষণবী ষণনাও ময়াম পুদুনা ষণ শেনবা চৎপগী ৱারী অমনি। কুম্মৈ অসি শ্রীকৃষ্ণগী ভক্তশিংগীনি হায়বা য়াই। অদুগা কুম অমগী অনৌবা লোকপা ফৌ শ্রীকৃষ্ণদা কৎপগী কুম্মৈ মখল অমনি হায়বসু য়াই। হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা নিঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈসি মণিপুরদা পাঙথোক্লিবা কুম্মৈশিং অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী চাউরবা অমদি খ্বাইদগী লীরবা কুম্মৈ অমখক্নি হায়বা য়াই। হায়বদি মীগা লাইগা ইশম শম্নরিঙৈ খৃষ্টাব্দ ৩৩শুবা চহী চাদা কংলাদা অহানবা নিংথৌ ওইনা পানখিবা ইবুধৌ নোংদা লাইরেন পাখংবগী তালোই লাইস্নানা মবুং পোইরৈতোনবু হিয়াঙ্গৈ থাগী নীনি পানবদা চাক্কৌবা হৌদোকখি। মতুং চন্দ্রকৃতি মহারাজগী হাক্তক্তগী মবুং-মৌপ্বা, মমা-মপা ওইবশিংনা মচে-মচল, মচাশিংবু চাকেকৌবা হৌদোকখিবদগী ঙসি ফাওবা চথ্দুনা লাকপনি হায়না থাজনৈ। মতম অদুদগী ঙসি ফাওবসিগী অসুক য়াম্না শাংলবা মতম ঙসি ফাওবা নিঙোল চাক্কৌবগী থৌরম অসি মপোপ অমত্তা কাইদনা চথ্দুনা লাক্লি। খেন্নরিবা হায়ববু মালেমগী ওইনা অহোংবগী মতুংইন্না ফিজেৎ লৈতেংদা অমদি দক্ষিনাগী মতাংদা খরা খজিক অহোংবা উরিবসি মঙাইরে। মরম অসিনা মীতৈশিংগী নিঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈ মুৎপদি লায়রদনা চহী হেক খুদিংগী হেন্না হেন্নদুম পাক চাউনা পাঙথোক্লরক্লি। মালেম অসিনা লেংদনা লৈরিমখৈ নুমিৎ থানা থোক্লিমখৈ নিঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈ মুৎপা নাইদনা লৈহৌরগনি।

য়াম্না নুংঙাইত্রিবদি হিয়াঙ্গৈগী ১২নি পানবা শ্রীশ্রী হরিউথান অমদি হিয়াঙ্গৈগী ১৫নি পানবা ৱা ফুকপা কুম্মৈ পাঙথোকপদি লাইরদনা মমিং ফাওবা তাবা ফংখিদবা অসিনি। মতম অমদদি মেরা ৱাফুকপা কুম্মৈ অসি য়াম্না চাউনা পাঙথোক্নরম্মী। পাখঙ লৈশাবীশিংগী ওইনদি য়াম্না নুংঙাইবা কুম্মৈ অমনি। নুমিৎ অসিদা মণিপুরদা লৈরিবা মন্দিরশিংদা পাখঙ লৈশাবী কয়ানা কৃক-কৃক ইন্নবমখৈ লাই খুরুম্নৈ। নুমিৎ অসিগী অয়ূক অঙনবদগী হৌদুনা পাখঙ লৈশাবীশিংনা অশেংবা ফিরোল শেৎ ইন্দুনা পুল্লপ-পুল্লপ হৌনরদুনা লম্বী লমজাওদা অচা-অথক য়োল্লিবী ইমা ইবেলশিংদগী শিংজু, বোরা-কাংহৌ লৈদুনা চামিন্নবা নুমিৎনি।

অমরোমদনা হরিউথানগী কুম্মৈ অসি সনারৈগী কুম্মৈ অমনি হায়নসু শীংথাবা য়াই। মণিপুরগী মফম শিনবা থুংবদা হৌরিবা সনারৈ লৈরাংনা থাবুম মরি চূপ্না খোল্লেন তুমখুন তান্দুনা লৈরুবা ভগবান শ্রীহরিবু য়াকাইহনবা লৈরাংনি হায়নসু শীংথানৈ। কুম্মৈসিনা নকশিল্লক্লবদি পাখঙ লৈশাবীশিংনা খূত্তা লৈগী পোলাং অমমম পায়নদুনা খুঙ্গং-লৈকায় লান্না সনারৈ লৈরাং থিবা চৎনৈ। কুম্মৈ নোংমা ৱাৎলিঙৈ পাখঙ লৈশাবীশিং হৌনদুনা সনারৈগী লৈ পরেং কয়ামরুম লেংমিন্নৈ। হরিউথান নুমিত্তদি শ্রী হরি লেংশিল্লবা দোলাইদু সনারৈগী লৈ পরেংনা অঙকপা ফংনা নিংথিনা লৈতেংই। অদুগা দোলাইদু লৈশাবী ময়াম্না শিন্ন-শিন্না পুদুনা খুঙ্গং লৈকায় শিন-থুংনা হরি সঙ্কির্ত্তন চৎলি। য়াম্না ঙল্লিবদি ঈশৈ তম্বা অমদি ওরাইবা তৌনরুদনা হরিউথানগী নুমিত্তুদা চপ মান্নবা খোঞ্জেলদা চপ মান্নবা সুরদা - জয় জয় রাধে গোবিন্দ রাধে। কুঞ্জে কুঞ্জে বিলাশিনি, জয় রাধে গোবিন্দ রাধে হায়না তান চানা ঈশৈ শকপা অদুনি। মরম অসিনা হরিউথান হায়বা কুম্মৈ অসি মীয়াম্না ‘মেরা থাগী সনারৈ!’ হায়না শক্ন-শোন্নরিবা লৈরাং সনারৈগী চাউরবা কুম্মৈ অমনি। ●

# চৎনহনবা ঙমদ্রবা য়ু থিংবগী আইন

মতম মতমগী

গুরুময়ূম জ্ঞানেশ্বর শর্ম্মা

‘ৱাকিং চৎপসিদা তোকপীরো হায়না ঐনা কয়ারক হন্না হায়জবনি, য়াবীদেদা, মদুদা য়াবীরম্লবদি মসি থোক্লম্লোই কো’ ইবোহলগী (অশেংবা মমিং নত্তে) অশিবা হংবা চৎলুবদা মাগী নুপীনা তেংথাদুনা কপলম্বনি। ঐ ৱাখল তাবা ঙমদে, চহী ৫০ মুক্কী মমাঙদা ওইরম্বা য়াই ইবান্নি খঙনখিবদু। মহাক মখারোমদগী লাক্লগা ক্বাকৈথেলদা অশানবা য়ূমদা লৈরগা ঐগা কোলেজ তম্মীন্নখিবা ইমান্নবনি। মশা-মউ ফৈ, ঈং-তপ্পী, শাউগন্দে, মশকসু ফজৈ। মতমদুদা মহাক য়ুদি লায়রদুনা চুরুট-বিড়ি থক্তে, ক্বা ফাওবা চাদে। মসিনা মরম ওইরগা ঐখোয় অহুম/মরি য়াম্না নক্না তিন্নখি। এন সী সীদসু থৱায় য়াম্না য়াওবা মীওই অমা ওইখি। মাগী থৱায় য়াওবদু য়েংলগা ঐখোয়না মহাকপু এন সী সীদা ওনর্স লৌরি হায়না হায়নখিবনি। কোলেজ লোইরবা মতুংদদি তোঙান-তোঙানবা লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট অমমমদা থবক তৌনখিবদগীদি উনখিদ্রে। মতম কুইরবগী মতুংদা ঐখোয়গা পূনমিন্নখিবা ইমান্নবা অমনা মহাক লৈতবগী পাউ হায়রকই, ময়ূমসু ইম্ফালগী মফম অমদা (অশেংবা মফম হায়জররোই) হোংগৎলক্তুনা লৈরে হায়বদুদা অশিবা হংবা চৎমিন্নরুবনি। মহাক্কী নুপী অঙাংশিং অমত্তা খঙনবা নত্তে, মহাক খক্তনি ঐগা খঙনখিবা অদুনা ইশানা সেল্ফ ইন্দ্রদ্যুস তৌরগা ফমথবতা মঙাইরি। ইকান কান্নদনা ‘ৱাকিং চৎপসিদা তোকপীরো হায়বা য়াবীরম্লবদি মসি থোক্লম্লোইকো’ হায়না মাগী নুপীদুনা তেংথারকপনি। ৱাকিং চৎপদা গাড়ীনকা থেংদুনা লৈতবরা হায়না খল্লুবনি। মদুসু ওইরমদ্রে। কোন্নদি অশেংবদু খঙলকই ৱাকিং চৎপদা নুমিৎ খুদিংগী হীদাক পায়বা ওইরম্লে। ঐগা চৎমিন্নবা ইমান্নবা অদুনা তম্ববু নুমিৎ খুদিংগী অয়ূক অঙনবদা ফি অমা ইল্লগা ৱাকিং চৎলি হায়, হল্লকপদনা ফি অদু মকোক্তা কোকয়েৎ ওইনা য়েৎশিল্লগা লাউ-লাউদুনা লাকপনি হায়। নোংমতা নত্তে, নুমিৎ খুদিংগী মাগী শোয়বা য়াদ্রবা রুটিন ৱার্কনি হায়।

ঈশিংদা ঈরাক্নদুনা শিবা মীগী মশীংদগীদি য়ুদা ঈরাক্নদুনা শিবনা মশীং হেল্লি হায়নৈ। লমদম অসিদা য়ুবু হীদাক হায়রগা খঙনৈ, কনানা করম্বা মতমদগী কমদৌনা হৌদোকখিবনো হায়বদুদি অয়োনবসু, অথকপসু, থক্তবা মীশিংসু কনা অমত্তনা খঙলমগদবা মান্দে। অদুবু হীদাক হায়বদা য়ুনি হায়বদি অদুম খঙনরে। লম্বী লমখাংদা মরুপ-মপাং, খঙন-চান্নবা থেংনবদা য়ু থক্লুসি হায়না হৌনদে, হীদাক খরা পায়রুসি হায়বদা য়ুনি হায়বা অদুম খঙনরে। থক্লুসি হায়বা ৱাহৈসি ফাওবা হায়নদ্রে, চানদবা ৱাহৈ ওইনা লৌনরক্লে।

মমাঙঙৈ হায়বা তারে ঙসিদগী চাওরাক্না চহী ৫০/৬০ মুক্কী মমাঙদদি তম্পাক্কী লমদদি য়ু থকপা মী কয়া য়াম্না লৈরমদে। মতমদুদা য়ু অসি চীংমীশিংগী মচীঞ্জাক ওইনা লৌনরম্মী। তম্পাক্কী লমদদি মাংই হায়নরম্মী। মাংই হায়জরবসু তম্পাক্কী মীওইশিংনা তম্পাক্কী লম্বী সরক্তা য়ু ঙাওরগা হাইরং-হাইরং চৎপা নৎত্রগা কা হেন্না ঙাওদুনা লম্বীগী মতাইদা তুদুনা লৈবসু য়াওই। মদু উবদা অঙাংশিং মরু ওইনা নুপীমচাশিংদি কিদুনা কোইলোৎ লোৎনরম্মী। অঙাং নিংঙাই থেম্বদা ফাওবা য়ুঙাওবা লাক্লে হায়বদা কপ্পা তোক্লরম্মী। য়ু মাংই হায়নরবসু মালেমগী চাওখৎলবা লৈবাকশিং মরু ওইনা য়ুরোপিয়ন কন্ত্রিশিংদদি য়ু থকপা মীওইশিং অসি চাওখৎলবা মীওইশিংনি হায়না লৌনরম্মী। পার্টি তৌবদা য়ু য়াওদবা য়াদে, নুপা-নুপী খায়দনা থক্লে। উহৈ-ৱাহৈদগী শুংবা অফবা মখলগী য়ু ওইবনরা নৎত্রগা শীজিন্নরিবা মীওইশিং অদুনা মফম মতম চানা অমদি মশা-মশাগী কেপাসিটিগী মখা পোন্না শীজিন্নবনরা হকচাং কা হেন্না শোকহন্দবগা লোয়ননা সোসাইটিদা অকায়বা অমত্তা পীদে। লৈঙাক্নসু য়ু থকপা য়াবা-য়াদবা নুমিৎ অমসুং মফম মতম্নচিংবা লেপথোকপগা লোয়ননা মীয়ামসু তৌগদবা অমদি তৌরোইদবা কাঙলোনশিং ঙাক্না চৎনবনা য়ু থকপনা খুন্নাইদা চৈথেং পীদে। মীওইবগী চীঞ্জাক ওইনা য়ু পুথোকপনা কাঙলোন ঙাক্না থকপদা অথিংবা থমদবা, হীদাক্নি হায়না লৌনবা লৈবাক কয়ামুকসু লৈ। ভারতবর্ষদসু লাই হাক্তক্তগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নরম্বগী ৱারী লৈ। দুৱাপুর য়ুগতা মধুপান থকপগী ৱারী, কলি য়ুগতা নবদ্বিবতা য়ুগাই মধাইনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক চারম্বগী ৱারী ঐখোয়না তারি। অদুনা কাঙলোন চুম্না শুংবা অফবা য়ু মফম মতম য়েংলগা মশা-মশাগী কেপাসিটিদা কম্পেনিওন চুম্না খল্লগা থক্লবদি য়ু অসি হীদাক্নি হায়না লৌনবা লৈবাক কয়া লৈবনা লমদম অসিদা য়ুবু হীদাক হায়রগা খঙনবা ওইরম্বসু য়াই।

মতম অমদা মাংই হায়নরম্বা য়ু ঙসিদি লমদম অসিদসু পাক শন্না শীজিন্নরে। হরাও কুম্মৈ অমসুং অৱা নুংঙাই অনীমক্তা য়ু অসি য়াওদবা য়াদবগুম লৌনরক্লে। মী শিবগী মথৌ মঙম পাঙথোকপদগী হৌরগা লুহোং খোঙদোংবদগী হেন্দোরক্তুনা লাইনীং-লাইশোল, ধর্ম্ম-কর্ম্মগা মরী লৈনবা থৌরম খুদিংমক্তা য়ু অসি য়াওদবা য়াদবা মচল অমা ওইনা লৌনরক্লে। মফম মতম নাইদনা শীজিন্নরকপনা ঙসিদি লমদম অসিদা অচৌবা প্রোব্লেম অমা ওইরে। লৈবাক অসিদা পুথোক্লিবা য়ুঙাংশিং ইন্দিয়া লৈঙাক্কী আইন অমগী মখাদা টেষ্ট তৌরবা মতুংদা কাঙলোন চুম্না শীজিন্নবদা হকচাংদা অকায়বা পীরোইদবা প্রদক্ট ওইনা পুথোরকপনি। লৈবাক অসিগী সহর কয়াদা অহিং অথেংবা ফাওবা বার কয়া হাংদুনা আইন্না য়াবা মওংদা য়ুঙাং য়োলহল্লি। লমদম অসিগী ওইনদি ঙসি ফাওবদা য়ুঙাং শুংনবা ফেক্টরি লৈত্রি, মপান্দগী পুশিল্লক্লগা ৱাইন শোপশিংদা য়োলহল্লম্বনি অদুবু লৈঙাক্না দ্রাই ষ্টেট লাউথোক্তুনা য়ু য়োনবা অমসুং থকপদা অথিংবা থল্লক্লি। অদুবু অথিংবা থল্লিবা অসিগী কান্নবা মপূং ফানা ফংলবরা হায়বদুদি ঙসিসু অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি। য়ু থিংলবসু ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নবগী চাংদি হন্থরকপগী মওং উদ্রি। ৱাইন শোপ থিংজিনখ্রবসু য়ুঙাং মরাং কায়না ফংলি। লমদম অসিদা শুংবা য়ুঙৌদি লৈঙাক্না থিংজরবসু ফংদবা মফম লৈতে। মমলগী ৱানি লমদম অসিদা য়ুঙাং অমসুং য়ুঙৌ ফংদবা মফম লৈতে, ওথোরিটিনা ফাবগী পাউসু অদুম লৈ। অথিংবা লৈবনা মমল ৱাংই অমসুং অয়োনবা কাঙবুগী শেন্দোংসু চাউই হায়নৈ। য়ু য়োনবগী চাং হেনগৎলক্লিবা অসিসু শেন্দোং চাউবদুনা ওইরম্বসু য়াই।

থিংল-থিংলগা য়ু য়োনবা অমসুং থকপগী চাং হেনগৎলক্লিবা অসি করিগীনো? য়ু শুংবা অমসুং য়োনবনা ময়ূম ৱাংখৎলকপা, অথকপনা চাকখাও তৎপা, লিভর নাবা হায়নবসু ঙসিসু হোংদ্রি। দ্রাই ষ্টেট ওইরবসু য়ু ফংদবা মফম লৈতে, মসিনা মরম ওইরগা ওথোরিটি অমসুং অথিংবা মীওইশিংদসু চিংনবা পোক্নরক্লে। ঙসি লমদম অসিদা পাক শন্না শীজিন্নরিবা য়ু অসি অয়াম্বনা য়ুঙৌনি। লোকল প্রদক্ট ওইরিবা য়ুঙৌ অসি করিনা শুংবনো, করি করি মচল হাপ্পনো, থকপদা হকচাং শোক্কদবা পোৎয়াম য়াওবরা হায়বদুসু মরী লৈনবা ওথোরিটিনসু ফাবখক নত্তনা লেবোরেটরিদা থাদুনা য়েংশিনবগী থবক তৌদে। মীশি-মীনা থোক্লক্লবা মতমদা তৌবা নত্তনা থক্লিবা মীওইশিংনসু অফ-ফত্তগী ৱাফম য়েংদনা মশা-মশাগী রিস্কতা থক্নরি। য়ু থকপগী অফ-ফত্ত নৈনরুবগী মথৌসু তাদ্রে, থক্লিবশিং য়াওনা মীপূম খুদিংমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। ঙসি লমদম অসিদা থোক্লিবা ক্রাইমশিং, ইমুং-মনুংদগী হৌরগা লম্বী লমখাংদা থোক্লিবা খৎন-চৈনবা, হাৎন-শুনবা লোয়ননা লম্বীগী এক্সিদেন্টশিং অয়াম্বনা য়ুগা মরী লৈনরম্বা অয়াম্বনি। হকশেলগী মতাংদসু অদু মঙাই নহা অহল খায়দনা মিৎকুপ খুদিংগী য়ুনা লেপ্তুনা লান্দারক্লি। য়ুনা মরম ওইরগা মীওই কয়া তাইবঙপান থাদোকখ্রে, কয়া অমনা মতম ঙাইদুনা লৈরম্বসু য়াওরমগনি।

পূম্নমক অসিগী থৌদাং কনাগী ওইগনি? লূপ কয়ানা অথিংবা থমখ্রবা, লৈঙাক্নসু দ্রাই ষ্টেটনি হায়না লাউথোকখ্রবা লমদম অসিদা অথিংবগী মায়োক্তা য়ু থক্লিবা মীওইশিং অসি মখোয়বু থক্তবা য়ারোই হায়দুনা নমদুনা ইল্লুবদি নত্তে, ফত্তে হায়বা খঙলবসু মশা-মশানা পাম্না থকচবনি হায়দুনা য়েংদুনা লৈরগদ্রা? য়ু থকপা ফত্তে হায়বা খঙনা-খঙনা থক্তুনা য়ুনা থোকহনবা লায়নানা নারিবা অমদি মতম চাদনা শিরিবা অসি মশা মশানা থোকহঞ্জবনি খন্দুনা ফ্রীদা থাদোকপনা অতোপ্পা মরাল লৈতবা মীওইশিংদা শোকহল্লকপা অমদি খুন্নাইদা অকায়বা পীনবা ফ্রীদা থাদোকফম থোক্তে। আইন শেল্লবদি চৎনহনগদবনি, চৎনহনবা ঙল্লোইদবা ওইরবদি শেল্লোইদবনি। ●

# বর্ম্মা/ম্যান্মারগী দিক্টেটর লৈঙাক

## (অওনবা হায়বসি খঙহৌবা নত্তে, শুংথা থাজদনা চহী ৩৩ মপূং ফানা হৌখ্রবা মিলিটরি জুন্তা (হুন্তা) গী পূন্সি খোঙচৎনি)

- সৌবাম বিরধ্বজ -

ৱারেং অসিদা য়াওরিবা ফম্নাইবশিংগী মমিংদা, খোন্থোক অমসুং ময়েক্তা অশোয়বা-অরানবা য়াওরবসু পূম্নমক্না ঙাকপীগনি। হৌখিবা কুমজা ১৯৮৯গী মমাঙদা ‘বর্ম্মা’ হায়না খঙনরম্বা লৈবাক অসি, লৈবাক অসিগী মিলিটরি জুন্তা (হুন্তা) না দেমোক্রেসিগী মনীং তম্বা পূম্নমক পায়শিনখিরম্মী। মিলিটরি জুন্তা (হুন্তা) না লৈবাক অসিগী লৈঙাক চুপ্লি পায়রবা মতুং চহী অমা লৈরগা বর্ম্মাবু খঙহৌদনা ‘ম্যান্মার’ হায়না খঙনরগনি হায়না লাউথোরকখিবনি। অসুম্না হৌখিবা কুমজা ১৯৯০দগী ম্যান্মার হায়না খঙনদুনা লাক্লিবনি। চহী ৩৩ হায়বসি মতমদুদা পোকখিবা নুপা/নুপীদু ময়ূম-মকৈ পান্দুনা মচা লৈনরবা মতম ওইনরগদৌবা ঙাক্তনি।

চৎলিবা কুমজাসিগী ওক্টোবর ২৩ ফাওবগী মনুংদা থোকখিবা ম্যান্মার (বর্ম্মা) লৈবাক মনুংদা থেংনজবা কনফ্লিক্ট মরক্তগী মচং খরদং খপ্তুনা লৌখৎচবনি। এ সী এল ঈ দি (দি আর্ম কনফ্লিক্ট লোকেসন এন্দ ইভেন্ট দাটা প্রোজেক্ট (বর্ম্মা/ম্যান্মার) গী রিপোর্টকী মতুংইন্না অপূনবা মীওই লিশীং ৪১,৯৫৯ ম্যান্মার মনুংদা শিখ্রে। রিপোর্ট অসিনা সিভিলিয়ন (মীচম) ৪,১৫৪ হাৎখ্রে, পোলিটিকেল লিদর য়াওনা মীওই ২৫,৩৩১ ফাজিন্দুনা জেলদা থম্লিবনি । এসিষ্টেন্ট এসোসিএসন ফোর পোলিটিকেল প্রিজনর্স (এ এ পি পি), ম্যান্মারগী রিপোর্টকী মতুংইন্না মীওই ২,০০৫,২০০গী মথক্তা (ইন্টরনেল্লি দিসপ্লেস) তৌরিবনি। অদুগা মীওই ৯৫,৬০০ লোম্না তোঙান-তোঙানবা মফমদা রিফ্যুজি ওইরি হায়না য়ু এন ওনা হায়রিবনি। মখা তারকপদা চাওরাক্না য়ূম ১১,৪০০ রোম মাঙ তাকখ্রে হায়না ১২/০৫/২০২২দা ম্যান্মার এন্দ দাটা ফোর ম্যান্মারনা লৈবাক মনুংগী পাউচেদা হায়খ্রবনি। মিলিটরি জুন্তা (হুন্তা) লৈঙাক অসিগী অশেংবা পূম্নমক এ এ পি পিগী রিপোর্টনা ফেব্রুৱারী ২০২২ ফাওবগী মনুংদা সিভিলিয়ানগী য়ূম ১২,০০০ রোম মৈ থাখি অমসুং শিদোক্লগা মাঙহনখি হায়বগা লোয়ননা য়ূম ৪৪০ (মমল য়াম্বা মখলগী য়ূম) সিল্ড তৌরগা থমখি হায়রি।

ম্যান্মারগী সিভিল ৱার অসি ‘ম্যান্মার স্প্রিং রেভল্যুসন’ অমসুং ‘পিপল’স দিফেন্সিভ ৱার’ হায়না হৌজিক হৌজিকমক কৌনরিবনি। হৌখিবা কুমজা ২০২১দগী ইন্সর্জেন্সিগী ঈরাং খংকন-কনশিল্লকপগা লোয়ননা দেমোক্রেসি হঞ্জিনবা পাম্বা কাঙবুশিংনা সিভিল ৱারগী থবক অসি মিলিটরি জুন্তা (হুন্তা) গী মথক্তা চথরকখিবনি। মিলিটরি সিনিয়র জেনরেল মিন-ওং-লেংনা খ্বাইদগী নৌবদা ওং-সান-সু-চি (নোবেল প্রাইজ ফোর ‘পিছ’ ১৯৯১দা ফংখিবী) ম্যান্মারগী দেমোক্রেসি লুচিংবী অসিগী সিভিলিয়ন লৈঙাকপু চৎনহন্দনা নমদুনা জেলদা থম্লিবনি।

মিন-ওং-লেংগী ফিরাল মমায় চুমখিবা : মিলিটরি সিনিয়র জেনরেল মিন-ওং-লেং হৌখিবা কুমজা ১৯৫৬কী জুলাই ৩দা বর্ম্মা/ম্যান্মারগী মিনবু সিটিদা পোকখি। চাওরক্লবা মতমদা য়াঙ্গোন/রেঙ্গুন য়ুনিভর্সিটিদা উকিল (লো) তমখি। বর্ম্মা দিফেন্স সর্ভিসেস একাদেমিগী পরিক্ষা (হঞ্জিন-হঞ্জিন্না থাবদা) অহুল্লক শুবা থাবা পরিক্ষাদা মায় পাক্লদুনা কুমজা ১৯৭৪দা মিলিটরিদা কম্মান্দেন্ট ওফিসর ওইনা থবক চংখি। কুমজা ২০০২ ফাওবগী মনুংদা খ্বাইদগী লমচৎ-শাজৎ ফজবা আর্মি ওফিসর ওইবগা লোয়ননা বর্ম্মাগী ‘শান ষ্টেট’ কী কম্মান্দিং ওফিসর ওইনা লৈখি। মহাক্না মতমদুগী সিনিয়র মিলিটরি জেনরেল ‘থান-শ্বে’ গী মখাদা য়াম্না হৈশিংনা (কোকাঙ-রিজেন্ট, য়ুনান্দ প্রোভিন্স, চাইনা বোর্দর) দা লৈবা অরিবা য়েলহৌমী লালহৌবশিংগী কেম্পতা লান্দাদুনা কুমজা ২০০৯দা অচৌবা কেম্প খরা খুদুম চনখিবদগী মহাক্কী মমিং চৎপা হৌরকখি। মহাক কুমজা ২০১১দা মিলিটরি সিনিয়র জেনরেল ‘থান-শ্বে’ বু (কূ মখল অমা মায়োক্লহন্দুনা) ষ্টেপ দাউন (ফম তাহনখি)। লোয়ননা মহাক্না অনৌবা মিলিটরি সিনিয়র জেনরেলগী ফমদু পায়খিরম্মী। মিন-ওং-লেংনা অনৌবা মিলিটরি সিনিয়র জেনরেলগী ফম পায়রবা মতুং কুমজা ২০১৫দা মতমদুগী ম্যান্মারগী প্রসিদেন্ট থিন-সিনবু (ম্যান্মারগী প্রসিদেন্ট ২০১১-২০১৬) শৌগত্তুনা (নেসনল-সিজ-ফয়ারগী এগ্রীমেন্ট) অমা য়েলহৌমী দিমোক্রেটিক লালহৌলূপ কাঙলূপ/মখল দর্জন অমগা খূৎয়েক পীনরম্মী। থিন-সিন হায়রিবসি সিনিয়র মিলিটরি জেনরেল ওইরম্বদগী রিটাইয়র্দ তৌরবা মতুংদা পোলিটিক্সতা চঙখিবনি।

বর্ম্মাগী দিক্টেটর ‘নে-বিন’ গী লৈঙাক :- বর্ম্মা হায়না কৌরিঙৈ মতমদা মিলিটরি লুচিংবা ওইরম্বদগী নে-বিননা হৌখিবা কুমজা ১৯৫৮-১৯৬০ ফাওবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইখি। মরক্তা চহী অনী গেপ লৈরুরগা অমুক কুমজা ১৯৬২-১৯৭৪ ফাওবা বর্ম্মাগী প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং প্রসিদেন্ট (অনীমক্কী ফম) মতোমতনা পূন্না পায়শিনখিরম্মী/ওইখিরম্মী। মহাক্না কুমজা ১৯৭৪-১৯৮১ ফাওবা প্রসিদেন্ট ওইরিঙৈ মতম অদুদা মহাক্কী মরিশুবা লোয়নবী ‘জুনে রোজ বেল্লি’ বু বর্ম্মাগী ‘ফর্ষ্ট লেদি’ ওইনা লাউথোকখি অমসুং মালেম পূম্বনা শকখঙনখি। মহাক্না অমুক কুমজা ১৯৮১-১৯৮৮ ফাওবা প্রসিদেন্ট ওইরমখি। মতমদুদা মহাক মশাগী চহী ৮০ শুরে। অহল ওইরকপগা লোয়ননা অরোইবা টর্মগী মতম লোইদ্রিঙৈদা নমদুনা প্রসিদেন্টকী ফমদগী চীংথখি/থাদোকহনখি। হৌখিবা কুমজা ০৫/১২/২০২২দা নে-বিন মশাগী চহী ৯২ শুবদা তাইবঙপান থাদোকখিরম্মী। অসুম্না নে-বিননা চহী ৩০ রোম চূপ্না বর্ম্মাগী প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং প্রসিদেন্ট ওইনা মতম শাংনা পাল্লমখি।

প্রজাশিংনা খঞ্জবা মীহুৎনা লৈঙাকপা ফংদ্রবদা ম্যান্মারদা হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থম্লিবী ওং-সান-সু-চিবু সপোর্ট তৌবা সিভিলিয়ন, য়েলহৌমী প্রজাশিংনা সিভিল ৱারগী ঈহৌশিং মচি-মচিদা লেপ্তুনা চথরক্তুনা হৌজিক্কী ফীভমসি ওইরক্লিবনি। ম্যান্মার হায়রিবা লৈবাক অসিদি বাংলাদেশকুম্না মীশিং য়াম্বা লৈবাক ওইবগা লোয়ননা লাইরিক তম্বগী (লিটরেসি) চাং য়াম্না নেম্লিবনি। মরম অসিদগী প্রজাশিংনা হৌখিবা মতমগী বর্ম্মা/ম্যান্মারগী দিক্টেটর (নে-বিন) গী মতৌগুম্না হৌজিক্কী প্রাইম মিনিষ্টর ‘মিন-ওং-লেন’ প্রাইম মিনিষ্টর (এক্টিং) অসিবুসু চীংননিংঙাই অমগুম্না য়েংনরিবনি। ম্যান্মারগা থংনবা লৈবাক (১) চাইনাগা অহানবা ঙমখৈসি ২২০৪ কিলোমিটর(মাইল ১৩৭০) নি। (২) থাইলেন্দগা তাইনবদা ২১০৭ কিলোমিটর (মাইল ১৩০৯:৮) নি। (৩) ইন্দিয়াগা তাইনবদা ১৩৩৮ কিলোমিটর (মাইল ৮৩১:৮) নি। (৪) বাংলাদেশকা তাইনবদা ২৭০:২ কিলোমিটর (মাইল ১৬৮:৫) নি। (৫) লাওসকা তাইনবদা ২৩৮ কিলোমিটর (মাইল ১৪৭:৯) গী অশাংবা ঙমখৈ পরেংশিংনি। মরম অসিদগী ঐখোয়না থাজৈ মদুদি ম্যান্মারগী লালহৌবা এঠনিক য়েলহৌঙৈ ইন্সর্জেন্ট রেভল্যুস্নরিশিংনা চাইনাগী ঙমখৈ লানশিন্দুনা অফবা মখলগী খূৎশু-খূৎলায় অঙকপা ফংনা লৈশিল্লকপা ওইরমগনি। চাইনা লৈবাক্না ইকোনোমি (শেল-থুম) গী ফীভম হেন্না ফগৎনবগীদমক মখল খুদিংগী করবার তৌবা হায়বসি মশানা তাজরবনি। মরম অদুনা চাইনানা থংনবা লৈবাক পূম্নমক্কী তাইনবা মফম শিনবা থুংনা লম্বী শেল্লিবনি।

লোইশিল্লকপদা ঐখোয়না থাজবা ঙল্লে মদুদি হৌজিক-হৌজিকমক মণিপুরগী চীংখোঙ চীংয়া/লোইয়ালমদা কুকি এক্সত্রিমিষ্টশিংনা লমখৈ মুন্নবগী লান্দা চথরক্লিবসি অফবা মখলগী নোংমৈ মখল-মখলশিং চাইনারোমদগী ত্রক মপোৎ অহুমলোম মণিপুর য়ৌখ্রে হায়না ইন্টলিজেন্সনা রিপোর্ট তৌখ্রে হায়না পাউচেদা ফোঙনখিবদুনি (মদুগুম্বা থৌদৌদু কোঙ্গাই-কোঙ্গাই) লেপ্তুনা থোক্লমগনি। ম্যান্মারদা য়ূম কয়া মৈ থারিবা, মীওই কয়ামরুম হাৎলিবা, কয়ামরুম অমনা রিফ্যুজি কেম্পতা লৈরিবা পূম্নমক বর্ম্মা/ম্যান্মারগী দিক্টেটর লৈঙাক্কী মতৌদু লৈবাক্তুগী মীওই কাঙলূপ/কুকি এক্সত্রিমিষ্টশিংনা মতৌ তম্বনি। হৌজিক হৌজিকমক ম্যান্মারদা থোক্লিবা সিভিল ৱারগী মতৌসিগা, মণিপুরদা থোক্লিবসিগা য়াম্না মরী লৈনবগুম তৌরক্লিবসি ইন্দিয়া লৈঙাক্না মতম চানা লাকশিন্নবা হোৎনহৌদ্রবদি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী য়াম্না চাউনা অশোয়বা ওইগদৌরিবনি। মসিদি মণিপুর লৈঙাক্না লাকশিনবা ঙমগদৌবা নত্তে। মরমদি মে ৩দগী লেপ্তুনা ইন্দিয়ন লান্মী শঙ্গু-শঙ্গু হোনজিল্লক্তুনা সূগী মমিংদা কুকি এক্সত্রিমিষ্টশিংবু ঙাক শেল্লিবসিনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মীচং-মীখাই নাইবা অশোয়বা খোঙথাংনি (ইরৈবাক্কীদমক, ঐখোয় লৈরি খঙহনবা নত্তনা ইন্দিয়ন লান্মীগা মায়োক্লবা ওইথোক্তে। বর্ম্মা/ম্যান্মারগী দিক্টেটর লৈঙাক্তা (সিভিল ৱার) থোক্লিবসিগুম করিগী মণিপুরদা অসুক কুইনা ওইহল্লিবনো? থা তরেৎলোম চূপ্না ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মচিন মেন্দুনা খাঙবগী মরম করিগীনো? মণিপুর ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইদ্রবরা? ●

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৮

১) **“ঐখোয় নুপীগী অন্দোলন”** হায়বা ৱারীমচা অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবা অসি কনানো অমসুং লৌথোরক্লিবা লাইরিক্কী মমিং করিনো?

২) **“পাউখুম ফংখিদ্রবা ৱাহং”** হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) **“থম্বালগী লৈনম”** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

৪) **“বরাক তম্পাক্কী মরাইবক”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

৫) **“কাইনগী থৈবোং”**হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।